হুইয়েন লানপাউ

য়ুমশকৈশা, ফেব্রুৱারী ০১, ২০২৩, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ২৯৯শুবা মশীং

# ৱার ওন দ্রগস কেম্পেন

## মীয়াম হুপ্না ৱারেপ লৌমিন্নরগদবনি

হৌজিক চত্থরক্লিবা ৱার ওন দ্রগস কেম্পেন অসি কুমজা ২০১৭কী মার্চ ১৫দা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লৈরকখিবগা থংনবা চহী ২০১৮দগী চত্থরকখিবনি। অহানবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্তুগী মপুন্সি (টর্ম) লোইখ্রে। অনৌবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্লুবা মতুংদসু অমুক হন্না বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অমুক লৈরকপদগী কেম্পেনসি মখা চত্থরক্লে। চহী ৫ হেন্না লেপ্তুনা চঙশিল্লকপদগী হৌজিক্তি ময়াই কাবা ইল্লিগেল দ্রগশিং অমসুং পোপি পাম্বীগী মায়োক্তা চঙশিল্লক্লিবা অকনবা লানসি মায় পাকপরোমদা চঙশিল্লকপগা ইরোইননা তঙ্খাই চনশিল্লক্লে। চাওরবা অমসুং অকনবা লানসিগী লানবুংগী ময়ায় চবুক য়ৌশিল্লক্লে হায়বা য়ারে। খুরক হাঙদনা থোক্লম্বা দ্রগকা মরী লৈনবা থৌদোকশিং ফনা য়াম্না পাথরক্লে। তশেংনমক লান অসি মায় পাকপরোমদা চঙশিল্লক্লে হায়বা য়ারে। অদুবু লানসিনা ফীভমসি য়ৌরক্লবা ফাওবদা দ্রগ ফাগদবা কম্মান্দো পর্সনেলশিংনা দ্রগ পুশিল্লকপা, পুলিসনা দ্রগ ফাননবা হোৎনরুবদা ওনশিন্দুনা এটেক তৌরকপা, পুলিসকী গাড়ী থুগাইদুনা অমাঙ-অতা থোকহল্লকপা, দ্রগ পুশিল্লকপা মীওইশিংগী মায়কৈদগীসু খোঙফম হন্দোরক্তবা, পোপি পাম্বী থাবা য়াদে, থাগনু, থারবদি ফারগা চৈরাক পীগনি হায়রবা ফাওবদা মফম খরদা লেপ্লবসু মফম খরদদি অদুম্মক লেপ্তবগী ফীভম থেংনরে। হায়রিবশিংসি হৌজিক ওইরিবা লান অসিগী চপ চাবা মশকনি অমসুং শক্তমনি। ফীভমসিদগী সিভিল পুলিস, মসিগী দ্রগকা মরী লৈনবা য়ুনিটশিংদগী হেন্দোরক্তুনা মণিপুর রাইফলস অমসুং ইন্দিয়া রিজাভ বট্টালিয়নগী পর্সনেলশিংদা ফাওবা ইল্লিগেল দ্রগশিং ফাবা পুনবগী অয়াবা পীরে। পোপি পাম্বীশিং থাবা মফমশিং খঙদোক্লবা হোৎনবদা দ্রোন ফাওবা শীজিন্নরক্লে। চঙশিন্দুনা য়ান্থৎলুবদা খুদোং চাদবা মফমশিংদনা দ্রোন শীজিন্নদুনা হীদাক চাইথবগী থবক ফাওবা চত্থরক্লে। পোপি পাম্বীশিং য়ান্থৎকনি হায়বা মীওইশিংদা থাঙহাই অমসুং শেলগী তেংবাঙ ফাওবা লৈঙাক্কী মিনিষ্টরনা পীবা হৌরক্লে। পূম্নমকসিনা তাক্লিবদি লান অসিবু চঙশিন্দুনা শোক্নরক্লিবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লানসিগী লানফমদা মায় পাকপগী পজেং ফিরাল থেৎত্রিবা ফাওবা চঙশিনখিগনি হায়বনি। খোঙফম হন্দোক্তুনা চঙশিনফমসু থোকই। মরমদি ইনশোন কাংদনা থোকপা দ্রগকা মরী লৈনবা থৌদোকশিংনা ইল্লিগেল দ্রগশিং মণিপুরদা পুশিল্লকপা, ষ্টেটসিদা ত্রাঞ্জিট পোইন্ট খক্তমক ওইহল্লকপগী মথক্তা ময়াই কাবা চিঙ্গাকসিগী ঈপাক্তা ইরাক্লবা মীওইশিং মরু ওইনা ইনখৎলক্লিবা মীওইশিংগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লবনি। মসিগী অরাইবা খুদম্না দ্রগ দি এদ্দিক্সন সেন্টরশিংগী মশীং য়াম্না হেনগৎলক্লিবা অসিনি। অদুগা চুম্নতা মণিপুরদা পুশিল্লক্তুনা মরাং কাইনা ফংহনবা, অতোপ্পা মফমদা অমুক পুথোকখিবদা নত্তনা অসিগুম্বা দ্রগশিং অসিগী শুংফম ফেক্টরি ফাওবা লৈরক্লবনি। ওইরক্লিবা ফীভমশিংসিদগী তঙাইফদনা অকনবা লান অসি চঙশিল্লক্তবা য়াদবদগী চঙশিল্লক্তুনা শোক্নরক্লিবনি।

অদুবু হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি দ্রগকী মায়োক্তা চঙশিল্লক্লিবা লান অসি ময়ায় চবুক্তা অমসুং খাঙতপ্তা লেপখ্রে অমসুং মায় পাক্লরোই হায়বা নত্তে। চহী ৫ চূপ্না শোক্নরকপদা ঙসি ফীভমসি ফাওবা য়ৌহন্দুনা ওইহল্লকপা ঙম্লবনি। লেমহৌরিবা শরুকশিংসি লোইশিনখিননবগী লাঞ্জংদা লৈবাক মীয়াম্নসু ফুরুপ-কাঙলূপ নৎত্রগা লাইনীংগী খেন্নবা থমদনা হুপ্না শরুক য়াশিল্লসি হায়বনি। ৱাফমসি লৈঙাক খক্তনা শুকঙম ঙম্লরোই হায়বা নত্তে। ঙমদনা চঙশিল্লকপনা ফীভমসি য়ৌরক্লিবনি। মখা তানসু হোৎনরক্লিবনি। অদুবু খূবাক নাম্মতা খূবগী থৌদৌ তাহল্লগুমসি খূৎ অনী চঙদুনা খুরসি। মসি ওইরগদি হৌজিক ফাওবদা চহী ৫ হেঞ্জিল্লক্লিবসি অতোপ্পা চহী ৫ অমগা অমুক চঙহন্দবদা মতেং ওইগনি হায়বনি। হান্নদগীসু মতেং পাংলক্তে হায়বা নত্তে। চীফ মিনিষ্টরগী মনাক্তা লাক্তুনা ফুরুপ পূম্নমক্কী লুচিংবশিংনা ৱাশক পরেং শক্লকখিবা ফাওবা য়াওখ্রে। অদুবু ৱাশক চে পীরমখিবা ফুরুপ-কাঙলূপশিং অদুগী কাঙবুগী মায়কৈদগী লানসিগী মায়োক্তা ওন্ন-তৈনবা থবকশিং তৌনরকপা য়াওরে হায়বনি। মরম অসিনা দ্রগকী মতাংসি মণিপুরদা লৈমিন্নরক্লিবা ফুরুপ-কাঙলূপ পূম্নমক্কী মীওইশিংনা অমত্তা ওইনা মায়োকমিন্ননবগী ফিরেপ অমা লৌমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়নীংই। মসিগীদমক চীং অমসুং তমগী মীয়ামগী লূপ/ ষ্টেকহোল্ডরশিংনা হান্না খূৎশম্নুনা চোঙথোরক্কদবনি। মখোয়না পুন্না চপ মান্নবা খোঙফমদা চেৎনা লেপমিন্নরক্লগা মখোয় মখোয়গী মীয়ামসু মখোয়গী মতুং ইল্লক্কদবনি। পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্লসু মাগী মাগী মান্নদবা, খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং লৈরগসু ৱার ওন দ্রগকী কেম্পেন অসিদি মণিপুরগী অমত্তা ওইবা কম্মন ইস্যুনি হায়না লৌগদবনি। অশোয়বা/অরানবশিং তুকা থিনদুনা চিন্দা পৌদানবগী মহুত্তা চুমথোকমিন্নদুনা মায় পাক্লনবা হোৎনমিন্নগদবা মতম য়ৌরে হায়নীংই। দ্রগ অমসুং পোপি পাম্বী থাবনা উৎকী মপৈ ওইনা তুমহল্লক্লিবসি ঙসিগী মীরোল খক্তা নত্তনা তুংদা হৌরক্কদবা মীরোল ফাওবা কোনশিল্লম্বগা লোয়ননা সনা লৈবাক্লি হায়নরম্বা মণিপুরগী হৌদোকমিন্নরকপা মহৌশাগী ফীভম অমসুং অঈং-অশাগী খলনি। হায়রিবা অসিদগী হেন্না চাওবা অতোপ্পা অমমুক লৈত্রবা মাঙজবসিদি অকক্লবা ফুরুপ কাঙলূপ অমা খক্তগী ৱাফম নত্তে। মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা পূম্নমক্কীনি। চপ মান্নবা চৈথেং ফংমিন্নগদৌরিবনি। মীয়াম পূম্নমক অমত্তা ওইনা লেপখ্রবদি য়ামখ্রবা মীয়ামগী মরক্তা য়াওরকপা ফৌমান্দি খন্দোক্তুনা লংথোকখিবদা অদুক য়াম্না লুনা থোক্কদবা মান্দে। লৈঙাক্লসু তৌসনু, মীয়াম্নসু মনতিক্লদনা য়াওশিন্দুনা অঙম অঙম্বা মতেং পাংশিল্লসি হায়বসিনি। লম্বীসিদা খোঙ থাংজিলহৌবনা ঙসিগীতা নত্তনা তুংগী মীরোলগীদমক অশানবা মীৎয়েং য়েংলম্বা ওইনা থোক্কনি খল্লি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৯

১) **‘‘নাউহোং’’** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **‘‘য়ুখল’’** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

৩) **‘‘মীতৈ লোনগৈদা লোনয়ান’’** কৌবা লাইরিক অসি মপান মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা অমনা খোমজিন্দুনা পুথোরকপনি। খোমজিন্দুনা পুথোরক্লিবা অসি কনানো?

৪) **‘‘চীংয়াদা তময়াদা হৈকোলদা লৈকোলদা/ঈশিং চাইবীনা মরৈ হা-হা তম্বদা/লোক্লুংগী ঈফুৎ মচানা ত্রোং-ত্রোং লাউনা চেনবদা/শংবান্নবা অতিয়াদা উচেক্লা পাইবদা/অহিংদা চীংজাউনা তুমিন তুমিন্না লেপ্পদা/মেঙলবা মেরাগী থাবলদা/শুমহৎচরবসু মহৌশাগী ফজবদা/ইনিংলুদে শৈথাদুনা শৈরেং/অদুনা থি ঐনা অনৌ-অনৌবা মখল।’’** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?


৫) **‘‘হৈদি’’** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপা লাইরিকনো অমদি মসিগী ওরিজিনেল অইবদু মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অকোয়বগী ফীভমদা ইশোক-শোকহন্দনা এম্মোনিয়া অমসুং য়ুরিয়া শুংবা

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**





নাইত্রোজেন অমসুং হায়দ্রোজেনগী এম্মোনিয়া শুংলগা য়ুরিয়া ফংলকপগী মওং

য়ুরিয়া হায়বসি অসুক্কী মতিক মরু ওই হায়বসি লৌরোক পান্থা লাক্লবা মতমদনা হেন্না ময়েক শেংলকই। মসি মণিপুরখক্তগী ৱা নত্তে, মালেম পূম্বগী ওইনা ইন্দষ্ট্রিশিংগী মরক্তগী য়ুরিয়া শুংবগী ইন্দষ্ট্রি অসিনা খ্বাইদগী চাওই হায়বা য়াই। য়ুরিয়া অসি শুংনবগীদমক, অহানবদা এম্মোনিয়া হায়রিবা কেমিকেল কম্পাউন্দসি হান্না শুংবা তাই। এম্মোনিয়া অসি হাবর-বোস প্রোসেস (থৌওং অসিবু পুথোক্লম্বা Fritz Haber অমসুং Carl Bosch কী মমিংদগী থোনখিবা) হায়না খঙনবা থৌওং অমগী মতেংনা নুংশিৎতা মরাং কাইনা য়াওরিবা নাইত্রোজেন গ্যাসকা নেচরল গ্যাস (মিথেন) তগী শুংদোরকপা হায়দ্রোজেন গ্যাসকা রিএক্সন থোকহন্দুনা শুংই। এম্মোনিয়া মহিসিগা মহি ওন্থোক্লবা কার্বন দাইওক্সাইদকা মখা তানা রিএক্সন থোকহল্লগা য়ুরিয়া ফংহনবা ঙম্মী।

মালেম পূম্বগী ওইনা, হাবর-বোস প্রোসেসনা এম্মোনিয়া শুংবদা অপুনবা ফোসিল ফ্যুলগী ১% শীজিন্নে; থৌওং অসিদা থাদোরকপা কার্বন দাইওক্সাইদকী চাংসিনা অপূনবা কার্বন দাইওক্সাইদ থাদোরকপগী ১% ওই। হাবর-বোস প্রোসেস অসিদা থোক্লিবা রিএক্সন অসি সেলসিয়স দিগ্রী ৩০০দগীনা ৫০০ ফাওবগী মনুংদনি। অসুম্না ফংলক্লিবা এম্মোনিয়া অসি সেলসিয়স দিগ্রী -২০ (মাইনস কুন) দা ঈংথহল্লগা মহী ওইনা লৌথোকই। থৌওং অসিদা অকনবা প্রেসর হায়বদি এটমোস্ফরিক প্রেসরদগী শরুক ১৫০-৩০০ হেন্না পীশিনবগী মথৌ তাই। অদুনা য়ুরিয়া শুংবগী থবক অসিদা ফোসিল ফ্যুল য়াম্না চঙই অদুগা গ্রীন হাওস গ্যাস ওইরিবা কার্বন দাইওক্সাইদসু য়াম্না থাদোরকই।

করিগুম্বা প্রদক্ট অমা পুথোকপদা এনর্জি য়াম্না চঙহন্দবা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই মরমদি




কোরিগী এটমশিং অমসুং ওক্সিজেন অমদি কার্বন য়াওরিবা **cyclohexanedicarboxylate** উৎলিবা মেটল-ওর্গানিক ফ্রেমৱর্ক

এনর্জি পুথোকপগী পান্থেশিংনা অকোয়বগী ফীভমদা শোকহল্লি। অদুনা এনর্জি চঙবগী চাং হন্থবা পান্থেশিং পুথোকপা হায়বসি তঙাইফদবা ওইরকই। অদুনা ***য়ুনিভর্সিটি ওফ কার্লিফোর্নিয়া, বর্ক্লি***গী কেমিষ্টশিংনা থিজিল্লকপদগী এনর্জি চঙবগী চাং হন্থবা পান্থে অমা পুথোকপা ঙম্লে হায়রি *(নেচর, জন্যুৱারী ২০২৩)*। কেমিষ্টশিং অসিনা দিজাইন তৌরগা পুথোরক্লিবা পান্থে অসিদা *মেটল-ওর্গানিক ফ্রেমৱর্ক* (এম ও এফ) হায়না খঙনবা য়াম্না পীকপা মখুলশিং (পোরস ওইবা) য়াওবা মেটরিএল অমা শীজিন্নরি। মেটরিএল অসিগী মতেংনা এম্মোনিয়া শুংবদা য়াইমরপ ওইবা প্রেসর অমসুং শাবগী চাংনা সেলসিয়স দিগ্রী ১৭৫ মুক্কী চাংদা দরকার ওই হায়রি। অদুনা এনর্জি চঙবগী চাংদা য়াম্না হন্থরকই।

অনেম্বা টেম্পেরেচর অমসুং প্রেসরদা এম্মোনিয়া অমসুং য়ুরিয়া শুংবা অসিগী অতোপ্পা কান্নবা অমসু লৈরি। অচৌ-অচৌবা কেমিকেল প্লান্টশিংবু সেন্ত্রেলাইজ তৌরবা মফমশিংদা লিঙ্খৎপগী মহুত্তা, অপিকপা কেমিকেল প্লান্টশিং লৌ উরিবা মফমশিংগা য়াম্না নক্লনা লিঙ্খৎপা য়াগনি। মসিনা য়ুরিয়াবু লৌমীশিংদা ফংহনবদা হেন্না লায়হনগনি অমসুং ত্রান্সপোর্টেসনদা চঙগদবা মতম, শেল অমসুং এনর্জিসু কনবা ঙম্বগা লোয়ননা মমল হোঙনসু ফংহনবা ঙমগনি হায়না থিজিনবগী থবক অসিবু লুচিংখিবা য়ু সী বর্ক্লিগী পোষ্টদোক্টরল ফেলো Benjamin Snyder না ফোঙদোক্লি।

হৌজিক ফাওবদা হাবর-বোস প্রোসেস অসিবু হেন্না সষ্টেনেবল ওইবা মওংদা থোকহন্নবগীদমক্তা থিজিনবগী থবক কয়ামুক পায়খৎনখ্রে। মখোয়দুগী মনুংদগী পনবা য়াবা খরদি : এম্মোনিয়া শুংবগী থৌওং অসিদা মরু ওইবা রো মেটরিএল অমা ওইরিবা হায়দ্রোজেন গ্যাসপু সোলর এনর্জি শীজিন্নদুনা ঈশিংবু থুগাইরগা ওক্সিজেনগালোয়ননা ফংহনবা; চুনবা কটালিষ্ট অমা শীজিন্নরগা অনেম্বা টেম্পরেচর অমসুং প্রেসরদা হায়দ্রোজেন অমসুং নাইত্রোজেন (নুংশিৎতগী লৌশিল্লগা) দগী এম্মোনিয়া শুংবা; Zeolite কুম্বা অতোপ্পা এম ও এফ শীজিন্নরগা এম্মোনিয়া শুংবা। জিওলাইট শীজিন্নবসিগী খুদোংচাদবা অমনা, মসিনা রিএক্সন্দগী ফংলক্লিবা মিকচর অদুদগী এম্মোনিয়াবু মপূং ফানা চূপশিনবা ঙমদে, অদুনা ফংলিবা এম্মোনিয়াগী চাং হন্থে। অতোপ্পা এম ও এফশিং শীজিন্নবা মতমদনা ফংলক্লিবা এম্মোনিয়া অদুনা এম ও এফশিংবু থুগাইখিদুনা অরেম্বদা তাহল্লি।

স্নাইদরনা লুচিংদুনা পুথোরক্লিবা পান্থে অসিদনা অনৌবা এম ও এফ মখল অমা শীজিন্নবনি। রিজিদ অমসুং পোরস ওইবা এম ও এফ অমা ফংহন্নবগীদমক cyclohexanedicarboxylate হায়না খঙনরিবা ওর্গানিক মোলিক্যুলশিং অসিবু কোরিগী এটমশিংগা শমজিন্নহল্লি। অসুম্না ফংলক্লিবা এম ও এফ অসিবুদি এম্মোনিয়ানা মাঙহন-তাকহনবা তৌরমদে। অদুম ওইনমক এম ও এফ অসিবু কোরি অমসুং এম্মোনিয়া য়াওবা পোলিমরগী ষ্ট্রান্দশিংদা ওন্থোকখিরম্মী। পোলিমর অসিদা এম্মোনিয়াগী দেন্সিটি য়াম্না ৱাংনা য়াওই। মসিদগী এম্মোনিয়াবু অনেম্বা টেম্পরেচরদা লৌথোকপা য়াই।

য়ু সী বর্ক্লিগী কেমিষ্টশিংনা পুথোরক্লিবা এম ও এফ অসিনা হেন্না কান্নরিবদি মসিবু অপাম্বা মওংদা ‘ট্যুন’ তৌবা য়াবা অসিনি, হায়বদি অকক্লবা থৌওং অমদা রিএক্সন কন্দিসনশিংগী অখন্নবা কাঙলূপ অমদা থম্লগা এম ও এফতুগী পর্ফোরমেন্স পরামিটরশিং - টেম্পরেচর অমসুং প্রেসর - হোংদোক হোংজিন তৌহনবা য়াই। অদুনা এম ও এফ অসি য়ুরিয়া শুংবখক্তা নত্তনা অতোপ্পা ইন্দষ্ট্রিদগী ফংগদবা পোথোকশিং পুথোকপগী থবকশিংদসু শীজিন্নবা য়াগনি হায়রি। ●

# লৈবাক অসিদা উকিলনা লৌরিবা থৌদাং, মহাক্কী ইকায়খুম্নফম - ১

**- বি প্রেম শর্ম্মা -**

আইন চৎনদুনা দেমোক্রেসি চৎপা পৃথিবীগী লৈবাকশিং পৃথিবীগী লৈহৌরিবা লৈবাকশিংনা ইকায়খুম্নে। মদু নত্তদুনা দিক্টেটরশিপকী মতৌগুম চত্থবা আইন লৈতবদুদি খুন্নাই অমা লৈতবগুম মীওইবা কাঙলূপ্না খুল্লিংদ্রিঙৈগী নুঙগী যুগকী মতৌনি হায়নরিবনি। মরমসিনা আইন চৎনহন্দুনা, জুদিসিয়রি সিষ্টম অসিবু ইকায়খুম্নবা হায়বসিনা খ্বাইদগী চাওখৎপা লৈবাক হায়বদু ওইরি। মরমসিনা আইন চৎনহন্দুনা, জুদিসিয়রিগী নীংতম্বা অসি তঙাইফদে। মসিদা কাঙলূপ, লূপ নৎত্রগা লৈঙাক পায়রিবশিংনা প্রেসর নৎত্রগা খূৎ থিংজিল্লকপদা জুদিসিয়রি নৎত্রগা দেমোক্রেসিগী মশক থীহল্লি। খূৎ থিংজিল্লবদি আইন চৎনবা লৈবাক অমগী ৱাহন্থোকসু লৈরক্লরোই। অমুকসু লৈবাক অসিদা য়োৎশবী মখোঙ অহুম্না লৈবাক অসি লেং ওৎলি। মখোয় অদুদি ইন্দিয়াগী আইন শেম্বদা মরু ওইবা রোল লৌরিবা ভোট কাহল্লগা থাগৎলক্লিবা মীহুৎ লেজিসলেচরশিং, মসিবু লেং ওত্তুনা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা এগজিক্যুটিভ ওফিসরশিং অমদি খুদিংমকশিং অসিগী খ্বাইদগী মরু ওইনা অমুক অচুম অরান ৱায়েন চত্থদুনা অচুম্বা অমদি হক কয়া ফংনবা হোৎনরিবা জুদিসিয়রিসিনি। আইন্না ভোট কাখ্রবশিংনা শেম্মী। মদুবু অমুক অতৈ আই এ এস অতৈ অতৈ ওফিসরশিংনা লেং ওৎহল্লি। খুদিংমকশিংগী হেন্না মকুপ তানা লো শেন্নিবশিং অমদি ওফিসরশিংনা অরান অহুই য়াওরক্তুনা ওন্ন-তৈনা লাকপদা জুদিসিয়রিনা অচুম অরান পুথোক্লবা ৱায়েল্লি। মসিদা ৱায়েল্লিবা ৱায়েল মপু (জজ) অমদি ৱায়েলশঙদা অচুম অরান নৈনরিবা উকিলশিং অসি খ্বাইদগী মরু ওইবা মীশক কাঙলূপশিংদু ওইরি হায়বসি য়েৎনবা য়াওদ্রবা অখঙ অহৈশিংগী মোত ওইরি।

হৌজিক ৱায়েল মপু (জজ) দা অপীকপা কোর্টতগীনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা সুপ্রিম কোর্ট ফাওবদা লৈরিবশিং অসি অতোপ অতোপ্পা হীরম অমত্তদগী লাকপা ওইরমদ্রে। মখোয় অসি চুম্নতগী উকিল হায়বগী শিনফমদুদগী ওইরকপনি। উকিলগী বিদ্যা তম্লকপা, ওইরকপদনা খক্তেমক জজ অসি ওইরি। পুলিস ওফিসরনা খোঙ থিন্দুনা সলাম কোৎলিবা ৱায়েলশঙগী মপুসি উকিলনা ওই। অদুনদি উকিলগী ইকায়খুম্নফমসিগী মফমসি চাওনা হৌখিবা চহীশিংদগী হৌজিক ফাওবা কল্লি। উকিল অমগী পুন্সিদা মায়কৈ কয়াদগী পুন্সিগী শীংনবা কয়া থেংনৈ, থবক ওইনা পাঙথোক্নে। থৌদাং কয়া থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা হোৎনবগী মমল খরখক্লি মখোয়গী ফীস ওইনা লৌরিবা। মসিদা ঐবু উকিল ওইনা পুথোকপীরকপা সিনিয়র এদভোকেট, মাইবম হেমচন্দ্র, মণিপুর হায় কোর্টকী শক্লাইরবা উকিলসিনা ঐখোয় জুনিয়রশিংগা, ঐনা চেম্বর পুল্লিঙৈদা শক্লাইরবা উকিল জজ কয়াগী পুন্সি ৱারী নৈনবদা হায়খিবা ৱাহৈ No Pain No Pleasure হায়বদু অচুম্বনি। হায়বদি চৈনা ফংনা নুংঙাইবা অপেনবা ফংলোই হায়বনি। মীচম নৎত্রগা ওফিসর অমনা আইনগী লাইরিক অমগী সেন্টেন্স অমা পাবদা উকিল অমনা সেন্টেন্সতুগী ৱাহৈশিং, ৱাহৈশিংদুগী আইনগা মরী লৈনবা কয়া হনুমান মমৈগুম লোইবা নাইদনা চিংথোক্লগা পায়। অদুনা লাইরিক কন্না পাবা উকিল অমদা মচাক খরমখৈদি পীক থন্না য়াওই। মসিনা ওইবা তাই লার্নেদ হায়বদি তম্বা লোইদুনা খঙলবা হায়বা ৱাহৈ শীজিন্নরিবা।

মতাংসিদা নীংশিংলকপা অমদি ঐখোয়গী ইমানা শগোল কাংজৈদা, শগোলবু লুনা তৌজবা অমদি ৱানা কখোকচরকপা কয়াবু কোইথি থিদুনা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম নম্বা লাক্লম্বী নুপীমচাদুনা ঐঙোন্দা হায়রম্বা ‘‘দা প্রেম ঐসে ঐখোয় ববানা উকিল ওইহন্নীংদুনা উকিল তমহল্লি। মদু মহাক্লা পুলিস দিপার্টমেন্টদা কম্মান্দেন্ট ওইনা লৈরিঙৈদা উকিলশিংগী মতৌশিং মখোয়গী তৌবা ঙম্বদু উরগা তমহন্নীংবজাৎনি। অদুবু ঐনা অতোপ্পা লাইনদা চৎপদু ববানদি হরাওদে’’ হায়বদু নীংশিংলকই।

মসি চুমজাৎনি ঐখোয়সু এক্টিভিষ্ট ওইনা প্রেসর গ্রুপ্তা য়াওদুনা ইনবদা চৎলক্তবদা উকিলনা কেস থাদুনা চে ইদুনা মথৌ তৌরক্লবা মতমদা চৎপা খরসু ঐখোয়না থেংনজ হৌই। মদুদগী ঐনা খ্বাইদগী পামজবা শিনফম ওজাদগী নুপা থোক্লা করিগুম্বা খরা তৌনীংবদগী উকিল তম্লকখিবনি। উকিল ওইরকান্দদা হৌজিক্তা পেঞ্জবা হৌরকই। খঙদবা খরনদি উকিলনা শেল পাম্বা খক্তা ওইনা উরি। অহিং কয়া তূমদনা, নোংঙাল্লমদাই ফাওবা লাইরিক পাদুনা, কেস নমদুনা দরখাষ্টকারিনা তূমদুনা, পোত্থাদুনা লৈরবা ফাওবদা উকিলনা মহাক্কীদমক্তা বলিগী হামেংগুম থৌদাং লৌদুনা হোৎনরিবদু উবিদবগুম পৈশা চাবগুম খনবীগে তৌই। চাবা থকপা মতম নাইদনা মখোয়গীদমক্তা উকিলগী হকচাংগী পুন্সি তেনশিন্নবা মচাক য়াওনা কত্থোকপা কনানসু উবীদে।

অমুকসু চেলেঞ্জিং ওইবা কেস কয়াগী লাইরিক পাবদা, নম্বদা অহিং কয়া মদুগী ৱাখল লৌশিং শীজিন্নখিবগী কোক্তা মনিল কাদুনা তূম্বা য়াদবসু কয়ানি, ইমুংগী যূম্বান কায়বফাও য়াওনরিবনি। মরমসিনা শাওরক্লবা মতমদা ঐনা হায়বা ‘‘নখোয়গী নচাসু উকিল অমুক্তা ওইহল্লো মদুদা অৱাবা খঙলক্কনি’’ হায়বদু নীংশিংলকই। ●

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৮গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (৪)

***২) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,৩,৪,৫)***

৩) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৪,৫)

৪) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৫৮গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৫৮গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৮গী পাউখুম

১) **‘‘অথুইলুগী মঙলান’’** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা - রাজেন খুমুকচম; লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাগী খোমজিনবা; অহানবা ফোঙবা ২০১০।**

২) **‘‘মসিনা ঐগী সাক্ষীনি’’** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো? **:-লাইরিক্কী মখল - লমকোয় ৱারী; অইবা - এস ঐচ : প্রহ্লাদ শর্ম্মা; অহানবা ফোঙবা ওগষ্ট ২০১২।**

৩) **‘‘জয় জয়ন্তী’’** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অইবা কনাগী করি লোলগী লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

**:- ওরিজিনেল অইবা অমসুং লোল - ধনঞ্জয় বৈরাগীনা বেঙ্গলি লোলদা ইবা; মণিপুরীদা হন্দোকপা - ডা. চোংথাম নরেন্দ্র সিংহ; অহানবা ফোঙবা মে ২০০৯।**

৪) **‘‘মিংশেলদা লৈচিল’’** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা - মুফিদুন নিসা; লাইরিক্কী মখল - মণিপুরী শৈরেংগী খোমজিনবা; অহানবা ফোঙবা সেপ্টেম্বর ১০, ২০০৬।**

৫) **‘‘অঙাংগী লীলা মচা খরা’’** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো ? **:- অইবা - ৱারেপ্পম জুগিন্দ্র সিংহ; অহানবা ফোঙবা জুলাই ২০১২।**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।